# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ইরাবত সিলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ১২৮শুবা ইরাবতকী নীংশিং থৌরমদা মহাক্না ইরম্বা শৈরেংবু ইংলিসতা ট্রান্সলেট তৌখিবা উমানন্দদা মনা খূৎশিন্নবা


লৌশিং পূক্কে : উহৈ ৱাহৈ অমদি অশংবা মনা মশিংনা ... লামায় ২

লামায় ৪ কুকিশিংগী অনৌবা ড্রামা অমা!

লাইরম্লেন মীরম্লেন অনীগী নুংশি কিশি চেৎন-থা লাংবন ... লামায় ৫

লামায় ৬ সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা বফর জোন কুপশেন শেন্নরগা ...

ইকনমি ফগৎলগসু মীয়ামদা এমপ্লোয়মেন্টদি পীবা... লামায় ৯

লামায় ১২ পাওনা মেমোরিএল টুর্নামেন্ট : য়াইরিপোক...


খাঙবোক পার্ট থ্রী মখা লৈকায়গী থবাতোন সোসল ৱেলফেয়র ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইরাবতকী থৌরমদা নেসনল জুদো লিগকী সব জুনিয়রদা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবী লৈকায়সিগী মালেমঙানবীবু তরাম্না ওকপা




Vol. 48, Issue No. 178 | লৈবাকপোকপা, লাংবনগী ২৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, October 01, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### আই সী সীনা ইরাবতকী ১২৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

## লৈঙাক্লোন অসি মীয়ামগী অপাম্বা খঙবগী মহুত্তা লন্নাই ৱাখল্লোন্দা হেন্না চৎপা উরে : ডা. নর

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোন নৈনরবদি সোল্যুসন পুথোকপা ঙম্বগী ৱাখল লৈগনি হায়রদুনা ঙসি লৈরিবা লৈঙাক্লোন অসিদি মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা মরু ওইবা অমসুং মথৌ তাবা তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা লন্নাই ৱাখল্লোন্দা খরা হেন্না চৎপা উরে হায়না কম্যুনিষ্ট লুচিংবা অমসুং ইরাবত সিলেব্রেসন কম্মিটিগী প্রেসিদেন্ট ডা. এম নরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহৌশাগুম্না ঙসিসু ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা কম্মিটি অসিনা শীন্দুনা লময়ানবা ইরাবতকী ১২৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি। ইরাবতকী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা অমসুং লময়ানবা অসিবু নীংশিংদুনা তোঙান তোঙানবা কুমসি চহী ২০২৪গী মনাশিং মীওই কয়াদা লান্থোকপনা মসিগী মপূং ওইবা থৌরম ওইখি।

ডা. এম নরনা মখা তানা হায়, ঙসিদি লৈবাক অসিগী ওইরিবা শক্তম অমসুং মীয়াম লম্দাংনবগুম তৌরে। লমজিংবীনবা লৈত্রবা, মায়কৈ খঙদনা মানা-মানা থোকপা চৎনবা খুন্নাই অমগুম্লে। খুন্নাইসিদা ইরাবতকুম্বা লুচিংবা অমগী ৱাখল্লোন অমগী মখাদা থবক্তা ওন্থোক্লবগী তঙাইফদবা মতম ওইরে। লময়ানবা অসিগী ৱাখল্লোন নৈনরবদি সোল্যুসন পুথোকপা ঙম্বগী ৱাখল লৈগনি হায়খি।

মণিপুর খক্তদা নত্তনা চহী খরসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অসাম অমদি ত্রিপুরানচিংবদা ইরাবতকী খোঙ্গুল লীরকপা চহী খরগী মমাঙদগী হৌরক্লবনি। মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ময়ামসিনা মীয়াম্না ইরাবতকী পূন্সি, কথোকপা, ৱাখল্লোন নৌহৌননা নীংশিংনরকপনি। ঐখোয়না তৌজবদগী মীয়াম্না পীরকপা রেস্পোন্সনা য়াম্না হেল্লি। ঙসি নুমিদাংসিদা চরাংনবা মরক্তা মৈরা কৎতুনা মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তা ইরাবতপু নীংশিংবীরক্লি। লোল অমসুং কুচু মান্নদ্রবসু কাঙলূপ ফূরুপ খেন্নরবসু নুংশি চান্ননা লৈবা মরু ওই। মসিমক পাল্লম্বা ইরাবত মণিপুরগী অর্কিটেক্টনি হায়না শীংথানরিবনি হায়খি।

মহাক্না ইরম্বা শৈরেং ‘ইমাগী পুজা’ অসি ঙসিদি সাহিত্য একাদেমিনা লৌশিন্দুনা ইংলিসতা ট্রান্সলেট তৌরে। মরম অসিনা ওজা সনসম উমানন্দবু ট্রান্সলেট তৌবীখিবগীদমক এৱার্দ পীজবদা য়াওরি। ট্রান্সলেট তৌরবা মতুং ইন্দিয়াগী মেজর লেংগ্বেজ ২০দসু ট্রান্সলেট তৌনবা সাহিত্য একাদেমিনা থবক পায়খৎখ্রে। মণিপুর খক্তদা নত্তনা মালেমগী মফমশিংদা ইরাবতকী মতাংদা নৈনবা হৌরকখ্রে হায়খি।

থৌরম অসিদা সী পি আইগী কন্ট্রোল কম্মিসনগী চেয়রমেন লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, ষ্টেট সেক্রেটরি এল থোইরেল, হান্নগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমার অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### থোইথোইবা ১সুং থোইথোই ফাজিনবগী মায়োক্তা থৌবালগী মীয়াম হৌরকখ্রে

## সী এমনা পীরকপা থাজবা মাঙলবদি ঙসি অয়ুক্তগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি : জে এ সী



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** ন্যু কৈথেলমানবীদা পাঙথোকপা এস এস সীনা লৌবা সিফাইগী রিক্রুটমেন্ট য়াওনবগীদমক থা অসিগী ২৭তা চৎমিন্নখিবা মীতৈ মচা অহুমগী মনুংদগী অমা থাদোরক্লগা লৈশাংথেম অৱাং লৈকায়দগী ওইনাম থোইথোই (২২) অপোকপা ও য়াইমা অমসুং খেকমন ৱাংমা তাবা মনীং লৈকায়দগী থোকচোম থোইথোইবা মীতৈ (২৫) অপোকপা টি ঐচ ইবোতোম্বী মীতৈ ফাজিন্দুনা থল্লকপগী মায়োক্তা ঙসি নুংথিল মশীং য়াম্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীয়াম্না নেসনল হায়ৱে ১০২ থিংদুনা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীদা পীরকপা থাজবা অদু ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## সোরেপাগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা চ্যেরমেন তোইজম ইবোচৌবনা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ :** হয়েং ওক্টোবর ১, ২০২৪ অসি সোরেপাগী মপোক নুমিৎ থোক্লে হায়না সোসলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা), কংলৈপাককী চ্যেরমেন তোইজম ইবোচৌবনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা মপোক নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেল অসিনা হায়, ইরমদমগী নীংতম্বা ঙমখে ঙাক্লবগী চঙশিল্লিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## এ আর ১সুং সেন্ট্রেল ফোর্সনা তৌগনু হায়বদা অরুবা ওইরোই : ইবোবী



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** কুকি মিলিটেন্টশিংনা অঙাং অহুম ফাজিনবগী মনুংদা এ আরনা অমা রেস্ক্যু তৌদুনা থাদোরকখ্রে অদুগা অনী ফাজিন্দুনা লৈরিবা অসিসু এ আর অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা তৌগনু হায়বা মতমদা অরুবা ওইরোইদবা ৱাফমনি হায়রদুনা ঙরাংসু মসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## থোইথোইবা ১সুং থোইথোই মীনুংশি য়েংলগা শিন্নবীয়ু : য়াম্বেম লাবা



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** ওইনাম থোইথোই অমসুং থোকচোম থোইথোইববু অশোয় অঙাম য়াওদনা থাদোকপীরক্লবা তৌনরক্লিবা আপীল তবীবগী মহুত্তা ফত্ত-নুংদা থোরক্লবদি মখোয়না টেররিজমগী থৌওং চথরে হায়না মালেম পূম্বদা খঙহল্লগনি হায়না গুদ গভর্নান্স পার্টি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ‘কুকি ওক্যুপাইদ লেন্দ’ হায়না উৎনবা হোৎনরকপনি : খাইদেম মনি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন ওইরম্বা অদুগা মণিপুরগী খ্বাইদগী চহী য়াম্লবা সিনিয়র এদভোকেট অমসু ওইরিবা খাইদেম মনিনা ঙসি ইম্ফালগী লোক্লাওবুংদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা থা অসিগী ২৭তা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪





ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫